## মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৬ (ঐচ এন এস) : মণিপুরী লিটরেরি সোসাইটি ইম্ফালগী ৩৫ শুবা মপোক কুমওন থৌরম থা অসিগী ৮ দা পাঙথোক্লগনি হায়না সোসাইটি অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি গুরুময়ুম বিজয়কুমারনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মণিপুর হিন্দী পরিষদকী হোলদা পাঙথোক্কনি। থৌরম অসিদা মণিপুরী লেংগ্বেজ এদভাইজরি বোর্দ সাহিত্য একাদেমীগী কনভিনর নোংমাইথেম কিরনকুমারনা অথোইবা লেংবীরকপা ওইগনি। মণিপুরী লেংগ্বেজ এদভাইজরি বোর্দ সাহিত্য একাদেমীগী জেনরেল কাউন্সীল মেম্বর ডা. যোদ্ধচন্দ্র সনসমনা অখন্নবা লেংবীরকপা অমদি মণিপুরী লিটরেরি সোসাইটি ইম্ফালগী প্রসিদেন্ট শামুলাইলাৎপম প্রহ্লাদনা থৌরম মপু ওইগনি। নুমীৎসিদা মনা মঙা লান্থোক্কনি। মণিপুরী খোরিরোলবু নুংশিবশিংনা মতম চানা লাক্কুনা শরুক য়াবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## ক্লিনিক হাংগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৬ (ঐচ এন এস) : রিমসকী ও পি দি ব্লোক্কী রুম নম্বর ১১৭ তা য়ুমশকৈশা নুমীৎশিংদা হেমাটোলোজিগী স্পেসল ক্লিনিক হাংগনি হায়না রিমসকী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট প্রোফেসর সী ঐচ অরুনকুমারনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। থা অসিগী ১১ দগী হৌরগা ৱার্কিং ৱেদনেসদেশিংদা স্পেসল ক্লিনিক হাংগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## ফ্লদ ভিক্টিমগী মীফম পাঙথোক্তুনা ৱারেপ কয়া লৌখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৬ (ঐচ এন এস) : ফ্লদ ভিক্টিম দিমান্দ কম্মিটিনা চকপিকারোং চীফ এসোসিএসন অমদি ফ্লদ ভিক্টিমশিংগা লোয়ননা থা অসিগী ৩ দা মীফম পাঙথোক্তুনা ৱারেপ কয়া লৌখ্রে হায়না কম্মিটি অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মীফমদুদা লৌখিবা ৱারেপশিংদি কুমজা ২০১৫দা থোকখিবা ঈশিং-ঈচাউদা শোকহনখ্রবা লৌউ-শিংউগী, লম্বী-থোং অমদি পোৎলমশিংগী কম্পেন্সেসন পীথোক্কদবনি। ৱাকৎ চেরোল পীশিল্লবা মতুং চয়োল অমগী মতুংদা ফাইনান্সিয়ল এসিষ্টেন্ট পীগদবনি। কুমজা ২০১৭, ২০১৮ অমদি ২০১৯ দা লেন্দস্লাইদ অমসুং নোংলৈ-নুংশিৎনচিংবা কয়ানা মরম ওইদুনা লম্বী-থোং অমদি তোঙান তোঙানবা পোৎলম কয়া অমাঙ-অতা থোকখি। এম জি এন আর ঈ জি এসকী ওইনা চহীসিগী শেনফমশিংসু থাদোক্কদবনি। হায়রিবশিং অসি থবক্তা ওন্থোক্ত্রবদি দি সী চান্দেল ট্রান্সফর তৌনবা দিমান্দ তৌদুনা খোঙজং চঙশিনগনি। চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী ব্লোকশিংদা মখল কয়াগী খোঙজং চঙশিনগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## ঐচ এস এল সী এগজামগী ফি হন্থনবা ৱাকৎখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৬ (ঐচ এন এস) : হায় স্কুল লিভিং সার্টিফিকেট (ঐচ এস এল সী) এগজামগী ফি হন্থহনবীয়ু হায়না বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরগী চ্যেরপর্সনদা নোর্থ ইষ্ট ফোরম ফোর ইন্টরনেসনল সোলিদরিটি (নেফিস)না মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে হায়না নেফিসকী মণিপুর য়ুনিটকী মেম্বর হুইদ্রোম রিমানা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ঐচ এস এল সী এগজাম ২০২০ গী ফি অসি ৱাংই। মসি মহৈরোয়শিংগী য়েংলগা হন্থবীয়ু। ঐচ এস এল সী এগজাম থাগদৌরিবা মহৈরোয়শিং অসি অয়াম্বনা লৈঙাক্কী স্কুলগী মহৈরোয়শিংনি। শোত্থরবা ইমুং-মনুংগী মহৈরোয় কয়া অমসু য়াওরিবনি। এগজাম ফি য়াম্লবদি পীনবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা মায়োক্নগনি। মহৈরোয়শিং অসিসু অয়াম্বনা ইন্টর্নেট ফেসিলিটি থোইদোক্লা লৈতবা ঙাক্তনি। ওনলাইনদা এগজাম ফি সবমিট তৌহনবা অসিনা অৱাবা কয়া মায়োক্লে। এগজাম ফি হন্থহনবগা লোয়ননা নোমিনেল ওইবা ফি লৌগদবনি। ওফলাইন মোদতা ফি থিবা য়াহনগদবনি। মহৈরোয়শিংগীদমক য়েংলগা বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরনা ঐচ এস এল সী এগজামগী ফি অসি হন্থবীয়ু হায়বা ৱাফম মেমোরেন্দমদা পনখি হায়নসু নেফিসকী মণিপুর য়ুনিটকী মেম্বরনা থাদোরকপা চেরোলদুনা মখা তারি।

## নুপী পাউমী ১৫দা ঈকায় খুম্নবা উৎখ্রে
# মণিপুর মীয়াম্না পামদবা লাকপদা থেংনগনি : জয়কুমার

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৬ (ঐচ এন এস) : মণিপুর মীয়াম্না পামদবা ফীভম লাকপদা চপ চানা থেংনগনি হায়না দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমারনা ঙসি উরিপোক তৌরাংবম লৈকায়দা লৈবা রাধা গোবিন্দজি মান্দপতা পাঙথোকখিবা য়ুনাইটেদ ক্লব আই এম সী ৱার্দ নম্বর ৪ উরিপোক্কী তরেৎশুবা মপোক কুমওন থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা নুপী পাউমী ১৫দা ৱিমেন ইম্পৱারমেন্টকা মরী লৈননা ঈকায় খুম্নবা উৎখি। থৌরমদুদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমারনা হায়খি, হোম মিনিষ্টর হায়বসি ইন্টরনেসনল ফোরমদা লৈবা অমনি। মহাক্লা হায়বদা থাজগদ্রা থাজরোইদ্রা হায়বা লাক্কনি। ইন্টরনেসনলগী ফোরমদা লাকপদা হায়খিবা ৱা ঙাক্তবা ওইরবদি থাজদবা লাক্কনি। কেবিনেট কয়ারক ফমখ্রে। কান্নবা ফংদে। ঐখোয়না তক্লগদবদি পায়রিবা অদুদা মসিনি হায়বদু কনভিন্স তৌবা চঙই। নাগাগী ইস্যু অসি নাগালেন্দ খক্তদনি, হৌজিক্তি পাকথোরক্লে। লুট-পাট তৌরিবা কয়া অসিসু থিংগদবনি। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টদসু হায়গদবনি। মণিপুরগী ইকনমিদা শোকচিল্লিবা কয়া অসিসু খঙহনবা চঙই। সী এ বিগী মতাংদসু মীয়াম্না খঙনরে। য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর উনবদা হান্নগী চীফ মিনিষ্টরনসু ৱা ঙাংই। অতৈ ষ্টেটকা মণিপুরগা য়াম্না খেন্নৈ। তরুকশুবা সেদ্যুল অমদি আই এল পি লৈতে। অমিট শাহনা ঙাংবদা ঐখোয়না য়েংখিসি। মসিদা ঐখোয় লৌখৎফম থোকপা লৌখৎকনি, ৱারেপ লৌগনি। ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টকী ওইরবসু মীয়াম্না পামদবা লাকপদা থেংনগনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংখিবা য়ুনাইটেদ ক্লব ৱার্দ নম্বর ৪গী প্রসিদেন্ট এদভোকেট খ্বাইরাকপম তরুননা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা হায়খি, মণিপুরগুম্বা লমদমদা চৈথেং লাকপা মতমদা ক্লব, মৈরা পায়বীশিং য়াম্না মরুওই। ক্লব হায়বসি থকশি-খাশি নাইনা শেমগৎপা অমনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা উরিপোক তৌরাংবম লৈকায় দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট খোইরোম রামকুমারনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি। থৌরমদুদা নুপী পাউমী ১৫দা ঈকায় খুম্নবা উৎখি। ঈকায় খুম্নবা উৎখ্রবশিং অদুদি, হুইয়েন লানপাউগী সিনিয়র রিপোর্টর রত্নেশ্বরী গোস্বামী, নোমিতা খোংবান্তাবম, অসেম বেবিচা, পোক্নফমগী সিনিয়র রিপোর্টর সোরেনশংবম সোনিয়া, পিপল ক্রোনিকলগী এরিস রোনা, সঙাই এক্সপ্রেসকী সাপম অরুনা, কোন্সম সমিতা, ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী পি ঐচ কেনি, বেবিস্রিন, লমজিংবা টাইমসকী এস পিঙ্কি, আই এস টি ভিগী এ ববিতা, টৌম টি ভিগী জি ইলাবতি, এন ইলিজাবেঠ অমদি অরুনবালা অমদি দি দি কেগী রিপোর্টর খোংবান্তাবম তরুনবালানি। য়ুনাইটেদ ক্লবকী থৌ পুরম্বা লৈখিদ্রবা য়েংকোকপম তোম্বা অমদি টি দিলিপকী মফমদা লৈশু কৎতুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি। উরিপোক ৱার্দ নম্বর ৪গী মনুংদা লৈবা পি ঐচ দি ফংখ্রবা জি রমন্দকুমার অমদি থিয়াম ওংবী বিনারানি অমসুং লোং টেনিসতা ইন্দিয়াগী ওইনা অন্দর ১৯ গী শরুক য়ারুবা ভুষনদা খুদোলপোৎ পীদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি।

# মণিপুরদা আই এল পি অমুক হন্না চৎনহন্ননবা হোম মিনিষ্টরদা তকশিনখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৬ (ঐচ এন এস) : সিটিজন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিলনা মণিপুর শোকহন্দনবগীদমক ষ্টেট অসিদা ইন্নর লাইন পর্মিট (আই এল পি) সিষ্টম অমুক হন্না চৎনহনবীয়ু হায়না লোক সভাগী এম পি, ডা. আর কে রঞ্জননা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহদা অইবা পীদুনা তকশিনখ্রে।

য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরদা পীশিনখিবা চেরোল অদুদা মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তীনখ্রবা মতুং ফাওবদা মণিপুরদা ইন্নর লাইন পর্মিট সিষ্টম চৎনরক্লি। মণিপুর মীয়াম্মসু সিটিজন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিলনা মণিপুর শোকহন্দনবা দিমান্দ কয়া তান্দুনা লাক্লি। বিল অসি চৎনরক্লবদি মণিপুরদা ইলিগেল মাইগ্রেন্টশিং মশিং য়াম্না চঙশিল্লক্লগনি হায়বগী মীপায়বা পোক্লে। মরম অসিনা মীয়ামগী মীপায়বা অসি কোকহন্ননবা ষ্টেট অসিদসু আই এল পি চৎনহনবীয়ু। সী এ বিনা মণিপুর কোনশিনহনবীগনু হায়নসু য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরদা পীশিনখিবা চেরোল অদুদা ময়েক শেংনা পল্লি।

## লৈঙোই, টাইল অমদি সিমেন্ট খুৎশিন্নখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৬ (ঐচ এন এস) : চিংমৈরোং মনিং লৈকায় অমদি নেপালি বষ্টিগী মীয়ামদা মখোয়গী কম্যুনিটি হোল রিনোভেসন তৌনবগীদমক কম্যান্দেন্ট হিদাম সুবোলনা কন্সট্রক্সন মেটেরিয়লশিং সিমেন্ট, লৈঙোই অমদি টাইলনচিংবা খুৎশিন্নখ্রে হায়না দি সী/এ দি জে টি ফোর কম্যান্দেন্ট ১১৩ বট্টালিয়ন বি এস এফ, ভি এল কে ভাইফৈনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, সেক্তর হেদ ক্বার্টরস বি এস এফ, মণিপুরগী মীৎয়েং মখাদা ১১৩ বট্টালিয়ন বি এস এফনা চত্থরকখিবা থবক থৌরাংশিংগী মনুং চন্না পোৎলমশিং অদু খুৎশিন্নখিবনি। কম্বাইন্দ কম্যুনিটি হোল মেনেজমেন্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট লৌরেম্বম ইনাওবীনা পোৎলমশিং অদু রিসিপ তৌখি। থৌরম অদুদা এদভাইজর ডা. সিনাম রাজেন্দ্রো, সেক্রেটরি রমানন্দ, সিনাম প্রিতম অমদি কেপিটেল কমপ্লেক্সকী কম্পনি কম্যান্দর ইন্সপেক্টর হর্শ য়াদব য়াওনা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা পোৎলমশিং অদু খুৎশিন্নখি। থৌরম অদুদা লমদম অদোমগী মীওই কয়াসু শরুক য়াখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## ওজাশিংগী ট্রেনিং প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৬ (ঐচ এন এস) : এফ এক্স বি ইন্দিয়া সুরক্সানা জেনল এদ্যুকেসন ওফিস, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগা খুৎশম্নদুনা ওজাশিংগী ওইবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা চহী অসিগী নবেম্বর ২৮ অমসুং ৩০ দা পাঙথোকখ্রে হায়না এফ এক্স বি ইন্দিয়া সুরক্সা মণিপুরগী প্রোজেক্ট ওফিসর কে ঐচ সুনিলনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, হ্যুমেন ট্রাফিকিং অমদি চাইল্দ সেক্সুয়ল এব্যুজদগী ঙাকথোক্লবগী মতাংদা খঙমিন্ননবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা তোঙান তোঙানবা লৈঙাক্কী স্কুল কয়াদগী ওজা ৯২ রোম্না শরুক য়াখি। প্রোগ্রাম অদুদা জেদ ঈ ও জোন ৱান, ইম্ফাল ৱেষ্ট সুচেতা খুমুকচম, জেদ ঈ ও জোন টু এন প্রেমচন্দ্রনা চীফ গেষ্ট ওইখি। এফ এক্স বি ইন্দিয়া সুরক্সাগী প্রোজেক্ট ওফিসর সুনিল মৈতৈ অমদি রুংরৈসোনা রিছোর্স পর্সন ওইনা ৱা ঙাংখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা জেদ ঈ ও জোন ৱান সুচেতা খুমুকচমনা হ্যুমেন ট্রাফিক্কিংগী মতাংদা খঙমিন্ননবা অসিগুম্বা ট্রেনিং অমা পাঙথোরকপা অসি য়াম্না মরুওইবা অমনি। ওজাশিংনা অঙাংশিংগা মরী লৈনবা হীরমশিংদা খঙবা চঙই হায়বা ৱাফম থমখি। জেদ ঈ ও জোন টু ইম্ফাল ইষ্ট প্রেমচন্দ্রনা ওজাশিংনা অঙাংশিংগা মরী লৈনবা হীরম কয়াদা খঙনবা হোৎনবদা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসি য়াম্না মরুওই। অঙাংশিংগী সেফ্টি অমসুং প্রোটেক্সনগী মতাংদা লৌবা য়াবা থৌদাংশিং অদু খঙমিন্নবা চঙই হায়বা ৱাফম থমখি। ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা এফ এক্স বিগী প্রোজেক্ট ওফিসর সুনিল মৈতৈ অমদি রুংরৈসোবু ৱা ঙাংখি হায়রি।

# বামোন কম্পু মর্দর কেস : রবি অমসুং হেলেনগী বেল হিয়রিং পাঙথোকপা হৌখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৬ (ঐচ এন এস) : হৌখিবা এপ্রিল ২৩ গী অয়ুক্তা ইম্ফাল ইষ্টকী ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা বামোন কম্পুগী লাংথ্রে লৌকোলদগী শিনা ফংখিবা খুঙ্জাময়ুম অরুনগী থৌদোক অদুগী মতাংদা পুলিস ষ্টেসন অসিনা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপা কেসকা মরী লৈননা ফাদুনা জেলদা থম্লক্লিবা লৈখিদ্রবা অরুনগী লোয়নবী হেলেন এলিয়স থোই লৈমা (২৬) অমসুং বামোন কম্পু গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান এন রবি (৪৫), অপোকপা লৈখিদ্রবা এন নিমাই, বামোন কম্পু খাবমদা লৈবগী মায়কৈদগী কেস অসিদগী বেল পীবীয়ু হায়দুনা ফাইল তৌরকখিবা এপ্লিকেসনশিংগী হিয়রিং পাঙথোকপা হৌখ্রে।

কেস অসিদা চেন্নরিবা এক্যুইজ অনীগী মায়কৈদগী ফাইল তৌরকখিবা বেল প্রেয়রশিং অদু ঙসি উরিপোক চৈরাপ কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈবা সেসন্স জজ, ইম্ফাল ইষ্টকী কোর্টতা লিষ্ট তৌদুনা মসিগী হিয়রিংশিং পাঙথোকপা হৌখ্রে। অদুম ওইনমক ৱাৎহৌবা হিয়রিংগী শরুকশিং থা অসিগী অহুমশুবা চয়োলদা পাঙথোক্লবা কোর্টনা লেপখ্রে।

পনবা য়াবদি, লৈখিদ্রবা খুঙ্জাময়ুম অরুন, অপোকপা কে ঐচ সনাজাওবা, বামোন কম্পু মখা লৈকায়দগীনি। মহাক্কী হকচাং ফংখিবা মতমদা ঙক্কী শরুকশিংদা থাঙনা লেনবগী মফমশিং লৈরমখিবনি। থৌদোক অসিগী মতাংদা মহাক্কী অপোকপা কে ঐচ সনাজাওবনা কমপ্লেনেন্ট ওইদুনা ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসনদা রিপোর্ট তৌরকখিবনি। পুলিসনা রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না কেস এফ আই আর নম্বর ৩০(৪)২০১৯ অন্দর সেক্সন ৩০২/১২০-বি আই পি সী রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবনি। অদুগা কেস অসিগী ইনভেষ্টিগেসন চত্থরবা মতুংদা মসিগী চার্জশীট চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট (সী জে এম), ইম্ফাল ইষ্টকী কোর্টতা থাগৎলকখিবনি। কেস অসি কোর্ট অসিনা ক্রিমিনেল ট্রাইয়েল কোর্ট অমা ওইরিবা সেসন্স জজ, ইম্ফাল ইষ্টকী কোর্টতা কম্মিট তৌরকপদগী কোর্ট অসিনা সেসন্স ট্রাইয়েল কেস নম্বর ৬ ওফ ২০১৯ লৌখৎখিবনি। অদুগা মমাঙ থাগী ৬ তা কেস অসিগী চার্জ হিয়রিং (চার্জ কন্সিদরেসন) পাঙথোক্লগা লৈখিদ্রবগী লোয়নবী হেলেন এলিয়স থোই লৈমা অমসুং প্রধান রবিগী মথক্তা চার্জ ফ্রেম তৌখিবনি।

## চূড়াচান্দপুরদা অয়ুশ কেম্প চত্থখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৬ (ঐচ এন এস) : হেদ ক্বার্টর আই জি এ আর (সাউথ)কী মীৎয়েং মখাদা চূড়াচান্দপুর সেন্টর অসাম রাইফলসকী থিংঘাট বট্টালিয়ননা শীন্দুনা চূড়াচান্দপুরদা অয়ুশ কেম্প পাঙথোকখ্রে হায়না আই জি এ আর (সাউথ)কী পি আর ওনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, বট্টালিয়ন অসিগী রেজিং দেগা মরী লৈননা অয়ুশ কেম্প অদু পাঙথোকখিবনি। ষ্টেট হেল্ঠ দিপার্টমেন্টনসু কেম্প অসি পাঙথোকপা সপোর্ট তৌখি। কেম্প দিরেক্টর অয়ুশ ডা. টি লুখোই অমদি অসাম রাইফলসকী দিগ্নিটরিশিংনা হৌদোকখি। অসাম রাইফলস অমদি হেল্ঠ দিপার্টমেন্টতগী ডা. ৮ লোম্না কেম্প অদুদা শরুক য়াখি। লমদম অদোমগী মীওই ৫০০ রোম কেম্প অসিদা লাক্কুনা মেদিকেল চেক অপ তৌখি। অয়ুশমান ভারত যোজনা হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা থল্লিবা ভিজন অদু ফুলফিল তৌনবা প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকপনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, আই জি এ আর (সাউথ)কী পি আর ওনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হেদ ক্বার্টর আই জি এ আর (সাউথ)কী মীৎয়েং মখাদা ২৮ সেক্তর অসাম রাইফলসকী সেলোন বট্টালিয়ন্না শীন্দুনা তুইতোং ইমপ্লোয়মেন্ট জেনরেসন সেন্টরদা ৱুল ৱিভিংগী ট্রেন তৌরবা অহানবা বেটচকী মহৈরোয়শিংগী কনভোকেসন সিরেমোনি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসিদা হেদ ক্বার্টর ২৮ সেক্তর অসাম রাইফলসকী দি আই জি বৃগেদিয়র জয়দিপ মুখর্জিসু শরুক য়াখি হায়নসু মখা তারি।

# ঈহৌ চঙশিন্নবা শেম-শারগনি : মণিপুর য়ুনিট

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৬ (ঐচ এন এস) : ষ্টেট লৈঙাক্লা তরেৎশুবা পে পীথোক্তবা তারবদি নেসনল লেভেলদা ঈহৌ চঙশিন্নবা শেম-শারগনি হায়না ওল ইন্দিয়া ষ্টেট গভর্ণমেন্ট ইমপ্লোয়ী কনফিদরেসন মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী সেক্রেটরি ঈ গিরানিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কুমজা ২০১৬ দা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী ইমপ্লোয়ীশিংদা তরেৎশুবা পে পীখ্রে। ইমপ্লোয়ীশিংগী কান্নবা কয়া মথং-মথং হাপকৎখ্রে। চহী ৪ শুজিল্লক্লবা ফাওবদা মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা ইমপ্লোয়ীশিংগীদি ঙসি ফাওবা তরেৎশুবা পে পীবা লৈত্রি। লৈঙাক অসিনা ঙাইহাক-ঙাইহাক্কী থেমদুনা লৈথোক-লৈশিন তৌদুনা তরেৎশুবা পে পীদ্রি। ইমপ্লোয়ীশিং মীওইবা ঙাক্তনি। হিংনবগী লম্বীদা চপ মান্নবা পুন্সিরোল লৈ। ষ্টেটকী ইমপ্লোয়ীশিংবু ওৎতুনা করিগী থম্বীরিবনো হায়না ষ্টেট লৈঙাক্কী মথক্তা থল্লি। এসেম্বলী মীখলগী মেনিফেষ্টোদা লৈঙাক পায়রিবা বি জে পিনা মণিপুরগী ইমপ্লোয়ী খুদিংমক্তা তরেৎশুবা পে পীগনি হায়না ৱাশকখি। ইলেক্সন মতুংদা লৈঙাক পায়রে। সেন্টরদসু বি জে পিনা লৈঙাক পায়রে। চহী ৪ শুরবসু তরেৎশুবা পে পীথোক্তনা লৈবা হায়বসি ৱাশক ঙাক্তবা পার্টিনি হায়নিংই। নুপা ওইরবদি ৱাশক ঙাক্লসি। ষ্টেট অসিদা ইমপ্লোয়ী খুদিংমক্কী এসোসিএসনশিংনা চঙশিল্লকপা খোঙজংশিংদা ওল ইন্দিয়া ষ্টেট গভর্ণমেন্ট ইমপ্লোয়ী কনফিদরেসন্না শৌগৎকনি। মঙাশুবা অমসুং তরুকশুবা পেগী ঈহৌদসু কনফিদরেসনগী ওল ইন্দিয়া সেক্রেটরি বালা সুব্রামনিয়ম লাক্কুনা শরুক য়াখি। মতম অদুগী চীফ মিনিষ্টর উনদুনা অকনবা প্রেসর পীখি।

মণিপুর লৈঙাক্লা অথুবদা তরেৎশুবা পে পীথোক্কদবনি হায়বা দিমান্দ তকশিল্লি। কুমজা ২০২০ গী জন্যুৱারী ৩ অমদি ৪দা কোলকাটাদা পাঙথোক্কদৌরিবা লূপ অসিগী নেসনল কনফরেন্সতা ৱাফম অসিগী মতাংদা কুপ্না খন্ন-নৈনগনি। নুমীৎ অসিগী মাঙজৌননা ষ্টেট লৈঙাক্লা তরেৎশুবা পে পীথোক্তবা তারবদি নেসনল লেভেলদা ঈহৌ চঙশিন্নবা শেম-শারগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## শজিৱা জেলগী ৱার্দর ১ শিরে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৬ (ঐচ এন এস): হৈঙাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা শজিৱা জেলদা থবক তৌবা জেলগী ৱার্দর অমা ঙসি অয়ুক পুং ৫.৩০ রোম তাবা মতমদা খংহৌদনা ৱাখল তারক্তবদগী জেনিমস হোস্পিটালদা লায়কন্ননবা পুখৎলকপদা হোস্পিটালদা লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদ্রে।

থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা জেলগী ৱার্দর অদুদি এম দি ইদেন শাহ (৫৮), অপোকপা লৈখিদ্রবা এম দি নজির অলি এলিয়স তোম্বা কৌই। মহাক খাবৈশোই ময়াই লৈকায়দা লৈবনি হায়রি। অশিবা হকচাং অদু পুলিসনা পোরোম্পাৎকী জেনিমসকী মোর্গতা পুরক্লগা পোষ্ট মোর্টেম তৌরবা মতুংদা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংদা খুৎশিন্নখ্রে।

## ব্লদ দোনেসন কেম্প

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৬ (ঐচ এন এস) : ওল ইন্দিয়া ব্লদ দোনেসন দ্রাইভ ২০১৯ গা মরী লৈননা ঐচ দি এফ সী বেঙ্ক, লাইফ সেভরস মণিপুর, ষ্টেট ব্লদ সেল-এন ঐচ এম মণিপুর অমদি জেনিমস ব্লদ বেঙ্ককা খুৎশম্নদুনা ভলন্টরি ব্লদ দোনেসন কেম্প এন্দ কেম্প্যেন অমা ঙসি জেনিমস ব্লদ বেঙ্কতা পাঙথোকখ্রে।

লাইফ সেভরস মণিপুরগী মেনেজিং দিরেক্টর কে পদ্মকুমারনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ব্লদ দোনেসনগী থৌরম অদুদা মফম কয়াদগী লাকপা ভলন্টরি ব্লদ দোনর কয়ানা শরুক য়াখি। থৌরম অসিদা তোঙান তোঙানবা ক্লব, ওর্গনাইজেসনশিংদগী লাকখিবা পুকচেল চাউরবা মীওইশিংবু থাগৎপা ফোঙদোকচরি। মণিপুর পুলিস ট্রেনিং কোলেজদগী মীওই ৫৯, ঐচ দি এফ সী বেঙ্কতগী মীওই ১৬, লাইফ সেভরস মণিপুরদগী মীওই ২৫ পুন্না দোনর ১০০ না ঈ কৎখি হায়রি।

## দ্রেন মথক্তা থমজিল্লিবা পোৎলমশিং লৌথোক্লবা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৬ (ঐচ এন এস) : জপান অমদি ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরনা ভিজিট তৌগদৌরিবা অসিগী য়েংলগা এন ঐচ-১৫০ গী নোর্থ এ ও সীদগী মোইরাং ফাওবগী মরক্তা লৈরিবা দ্রেনশিংগী মথক্তা পোৎচৈ পৈশিনবা, গাড়ী থমজিনবা অমদি শাজিল্লিবশিং অসি লৌথোক্কদবনি হায়না পি দব্লিয়ু দি মণিপুরগী নেসনল হায়ৱে দিভিজন নম্বর থ্রীগী এগজিক্যুটিভ এঞ্জিনিয়র ৱাই অজিৎ কুমারনা প্রেসতা থাদোরকপা নোটিফিকেসন অমনা হায়রি।

নোটিফিকেসন অদুনা হায়, নোর্থ এ ও সীদগী মোইরাং ফাওবগী মরক্তা দুকানগী অমদি য়ুমগী মপুশিংনা দ্রেন মথক্তা পোৎচৈ থমজিনবা, নুঙ পৈশিনবা, টেম্পররি ষ্ট্রকচরশিং শাজিনবা অমদি গাড়ী থমজিনবনচিংবা কয়া অসি থা অসিগী ১১ ফাওবগী মনুংদা লৌথোক্কদবনি। করিগুম্বা লৌথোক্ত্রবদি দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী পুলিসকী মতেং লৌরগা লৌথোক্কনি। মসিদা অমাঙ-অতা থোকপশিং দিপার্টমেন্টনা থৌদাং লৌরোই হায়নসু নোটিফিকেসন অদুনা মখা তারি।

জপান অমসুং ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরগী ভিজিটকী মাঙওইননা লৌখৎলকপা থৌরাংশিংগী মনুং চন্না খোঙথাং অসি পায়খৎপনি। দুকানশিংগী মপুশিং অমসুং য়ুমশিংগী মপুশিংনা নোর্থ এ ও সীদগী মোইরাং ফাওবগী মরক্তা এন ঐচ ১৫০গী দ্রেনশিংগী মথক্তা থল্লিবশিং লৌথোক্কদবনি হায়রি।

## মেমোরেন্দম থাখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৬ (ঐচ এন এস) : সিটিজন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিল (সী এ বি) গী মতাংদা সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলগী সেক্রেটরি এল সোটিনকুমারনা খুৎয়েক পীদুনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম অমা থাখ্রে। মেমোরেন্দম অদুদা পল্লিবা মপুং ওইবা ৱাফমদি বিল অসি এন্টি সেক্যুলর অমদি এন্টি কনষ্টিট্যুসন ওইবা অমনি। মণিপুরদা মপান লমগী মীওই কয়া চঙলকপগী খুদোংথীবা কয়া মায়োক্লরিবনি। য়েলহৌমীশিংদা থ্রিটন তৌদুনা লৈরিবনি। সিটিজন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিলগী মায়োক্তা পার্টি অসিনা লেপ্লি। বিল অসি য়ানিংদে। বিল অসিদা স্পেসল প্রোভিজন হাপ্লবসু ষ্টেটসিগী য়েলহৌমীশিং প্রোটেক্ট তৌবদা ইফেক্ট লৈরোই। বিল অসি পার্টি অসিনা ওপোজ তৌই হায়বা অসিনি হায়রি।

# মণিপুর হোম গার্দকী ৫৬লকশুবা রেজিং দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৬ (ঐচ এন এস) : মণিপুর হোম গার্দ ইমপ্লোয়ী ৱেলফ্যের এসোসিএসন্না শীন্দুনা ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবকী হোলদা ৫৬ শুবা হোম গার্দকী রেজিং দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা এসোসিএসন অসিগী প্রসিদেন্ট ৱাই মঙ্গিনা হায়খি, রুল ওফ লো ঙাক্লিবনি হায়রিবা চৎনবী কয়া অসিদা মণিপুর লৈঙাক্তা এসোসিএসন অসিনা নুংঙাইতবা ফোঙদোক্লি। এসোসিএসন্না তাল্লিবা দিমান্দ কয়া পীবীদ্রি। মণিপুরদা লৈরিবা হোম গার্দশিংনা ফংগদবা তোলোপ অসি লুপা ১৮,৬৮৯ ওইরে। মসিগী শেনফম অসি পীবীয়ু হায়না কুমজা ২০১৫ দগী তাল্লকখিবনি। ইন্দিয়া লৈঙাক্লা শেনফম অসিগী অয়াবা পীরগা ওর্দর থোক্কদৌরিবনি হায়। দিমান্দ পীবীদবনা মরম ওইরগা পেন্দবা হেঞ্জিল্লক্লে। দিমান্দ লেপ্পা লৈতে। মণিপুর লৈঙাক্লসু লাউথোকপীদ্রে। হোম মিনিষ্টর অমসুং প্রাইম মিনিষ্টরগী ওফিসতা টিম অমা চৎলগা খঙহনবা তঙাইফদ্রি হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি। থৌরম অদুদা এসোসিএসন অসিগী কম্যান্দর এম দি তোম্বী, ভাইস প্রসিদেন্ট কে ঐচ য়াইমবী, এক্সন কম্মিটিগী চ্যেরমেন এ রঘুমনিনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখি।

অমরোমদা, মণিপুর হোম গার্দকী ৫৬ শুবা রেজিং দেগী থৌরম বট্টালিয়ন-৫ হেদ ক্বার্টর বিষ্ণুপুরদসু ঙসি পাঙথোকখ্রে হায়না বট্টালিয়ন-৫ গী কম্যান্দরনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। বট্টালিয়ন অসিগী মখাদা লৈবা মথৌদা পূক্লিং চঙলবা হোম গার্দ পর্সনেল ৩০ দা কেস এৱার্দ পীদুনা পূক্লিং থৌগৎপনা মপুং ওইবা থৌরম ওইখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# ট্রেদ য়ুনিয়ন মুভমেন্টকী কনভেন্সন পাঙথোক্তুনা খন্ন-নৈনখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৬ (ঐচ এন এস) : কোওর্দিনেটিং বোদি ওফ ট্রেদ য়ুনিয়ন মণিপুরনা শীন্দুনা ঙসি মণিপুর হিন্দী পরিষদকী হোলদা ট্রেদ য়ুনিয়ন মুভমেন্টকী কনভেন্সন পাঙথোকখ্রে।

কনভেন্সন অদুদা এ আই টি য়ু সী মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি এল সোটিনকুমার, সী আই টি য়ু মণিপুরগী সেক্রেটরি কে এস ঐচ শান্তা, আই এন টি য়ু সী মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি ৱাই রনাপ্রতাপ, টি য়ু সী সী মণিপুরগী সেক্রেটরি কে ঐচ গ্যানেশ্বর, ওল মণিপুর রোদ ট্রান্সপোর্ট দ্রাইভরস এন্দ মোটোর ৱার্কর য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট এস মংলেমনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা এল সোটিনকুমারনা হায়খি, কুমজা ২০২০ গী জন্যুৱারী ৮ দা ওল ইন্দিয়াগী ওইনা জেনরেল ষ্ট্রাইক তৌগনি। শিন্মীশিংনা শিন্থা লেপ্তুনা ষ্ট্রগল তৌগনি। ইমপ্লোয়ী ক্রোর কয়ানা থবক শুরিবা অসিগী মরুওইবা পোলিসী অমনা মরম ওইরগা প্রাইভেটতা শীন্ননবা হোৎনরকপা য়াবা ঙম্লোই। মল্টি নেসনল কোর্পোরেট অমদি লন্নাইরোমদা শীন্নথোকপা থৌশিল অসিনা মরম ওইরগা শিন্মী কয়া থবক হাপ্পগী মহুৎতা থবক লৌথোরকপা, মেছিন্না মহুৎ শীল্লকপা ফীভম অমদা লাক্লি। অৱাবা মায়োক্লরবা শিন্মীশিংনা ষ্ট্রগল তৌবা তাই। প্রাইভেটতা শীন্নরকপনা মরম ওইরগা লৈঙাক্কী ইমপ্লোয়ী ওইরিঙৈদা ফংলম্বা শেনফম অমদি থবক পোত্থারবা মতুংদা পেন্সনগী ফীভম উরক্তবা কয়া অমসু লৈরি।

মরুওইবা দিমান্দশিংদি, এম জি এন আর ঈ এস নুমীৎ ১০০ নি শোয়দনা থবক পীহল্লু, ইমপ্লোয়ীশিংগী তরেৎশুবা পে অথুবা মতমদা ফংহল্লু, ন্যু পেন্সন স্কিমগী মহুৎতা দিফাইন্দ পেন্সন স্কিম চৎনহল্লু, শিন্মীশিংগী শিনফমদা থবক শুরিবা কন্ট্রেক্ট, কেজ্যুয়ল অমসুং আউট সোর্সচিংগী মীওইশিং অমদি স্কিম ৱার্করশিং রেগ্যুলর তাহল্লু, শিন্মী খুদিংমক সোসল সিক্যুরিটিগী খুদোংচাবা ফংহল্লু, ভি দি এফশিংগী থাগী তোলোপ মতমগা চুনবা মওংদা ফংহল্লু, থবক তৌজরিবা শিন্মীশিং খুদিংমক য়ামদ্রবদা লুপা লিশিং ১৮ থাগী খুৎশুমল ওইনা পীহনবগা লোয়ননা থাগী পেন্সন লুপা লিশিং ৩ দগী তাদনা ফংহল্লু, মণিপুরগী নেসনল হায়ৱেশিংদা হায়ৱে প্রোটেক্সন ফোর্স লিংদুনা মথৌ নীংথিনা তৌহল্লু, এন এস সী এন-আই এমনা নমদুনা নেসনল হায়ৱেশিংদা শেল খায়বা য়ারোই, ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংগী ফম্ফম পীহনবা অমসুং টাউন ভেন্দিং কম্মিটি শেমদুনা মথৌ নীংথিনা তৌহল্লু, কন্ট্রেক্ট, কেজ্যুয়লদা থবক তৌরিবা শিন্মীশিং রেগ্যুলরদা থবক তৌরিবা শিন্মীশিংগা মান্ননা থাগী তোলোপ ফংহল্লু, ট্রেদ য়ুনিয়ন এক্ট এমেন্দমেন্ট তৌদুনা শেমদোকপা য়ারোই, ইনাক খুনবা মীওই খরগী মীৎয়েং থমদুনা বেঙ্কশিং অমগা অমগা পুনশিনবা লেপ্পু হায়রিবা দিমান্দশিং অসি তৌদুনা ষ্ট্রাইক চত্থগদবনি হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা ৱাই রনাপ্রতাপনা ফোঙদোকখিবদা, ভি দি এফনা ফংলিবা তোলোপ অসি য়ামদে। পোৎচৈগী মমল তাঙলে। হিংবগী ৱাহন্থোক লৈহনবীয়ু হায়না তাল্লিবনি। লৈঙাক্লা প্রাইভেটাইজেসনগী থবক থৌওং কয়া চত্থবা অসিসু নুংঙাইতে হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি।

CSC City Study Circle
Sangaiprou Mayai Leikai, Airport Road, Opp: Life Style Fitness Gym
ROLL OF HONOUR
13th POSITION

NONGMAITHEM ZENO
S/o. N. Ranjit Singh
& N. Tilotama
of Nachou Mamang Leikai
Mark : 554 P.C. : 92.2%
SUB. TOPPER : COMP. SC. (100)
I am indeed grateful to find a coaching centre like CSC. In fact, it may be rightly said that it is the abode of all the well-experienced and brilliant teachers. The teaching style, mock test series and many other educational activities helped me boost my knowledge even more stronger. I believe CSC will do the best for the growing up students.
N. Zeno
ADMISSION OPEN
Attached Hostel Facilities
Limited Seats First Comed First Serve
11th Rivision Course
STARTS : 5th Dec. 2019
21st Foundation COURSE, STARTS : 12th DEC. 2019
Office Hour : 5 am. to 5 pm.
For Details Contact : 8729914669 / 6909614910
Motto : Learn more fulfil your dreams
HL-P/5425/3-17

ADMISSION OPEN
ENGLISH & RHYMES COURSES
CLASS X ENGLISH (BOSEM) EXAM ORIENTED COURSE
- SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
- RHYME TEACHERS TRAINING COURSE
[Rhymes, Computer, Teaching Method, Spoken English etc.]
SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)
Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal
Contact No. ☎ 8974642764
HL-B/4529/25oct.to23nov.